অরুনাচল প্রদেশতা মার্সিয়েল আর্টসকী অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎপদা ঐহাকসু অচৌবা থৌদাং লৌখি ঃ দেবেন শর্ম্মা

এল দেবেন শর্ম্মা

(হান্নগী মখা...)

ঐহাক কারাটেগী ইনষ্ট্রক্টর অমা ওইনা চঙশিল্লকখিবসিদি কুমজা ১৯৮১ গী মতমদগী অদুম হৌরকখ্রবনি। থবক্কসিসু ঙন্না গ্রেজুয়েসন লোইরকপা মতম অদুৰাইদা ওজা ওইরম্বদু তোক্লমদবা তারগদি অচৌবা শেনফম ফংবা হায়বদু ওইরমগনি। ঐহাক্কা হান্না ওজা ওইমিন্নরম্বা বিহার মচা পি য়ু খক্তমক পাস তৌরগা লাকখিবা ওজা অমা অরুনাচল দিষ্ট্রিক্টকী ষ্টেট টুর্নামেন্ট অমদা নোংমা থেংনৈ। ঙসিদগী চহী তরামুক্কী মমাঙদনি। মাদি মতমদুদা লুপা লিশীং য়াম্থ্রেমঙা ফংই হায়না তল্লম্মী। ঐগী কয়া য়ৌরবগে হায়নসু হংলকখি। ঐদি করাটেদা ঙাওরিঙেদা থবক তৌনীংবগী ৰাখলগসি কয়া কন্না খল্লুদে। মার্সিয়েল আর্টসকী তোঙান তোঙানবা ফোর্ম ময়ামসি ইশাসু ঔরাইবা, অঙাংসু তাকপীবা মসিদা অদুম লুপ্তুনা লৈবনি। থবকসিসু অরুনাচল গভর্ণমেন্টকী কাঙবু খঙবীরকপদগী ইনষ্ট্রক্টর ওইনা ওফর পীরক্লুনা হাপ্পীরকখিবনি।

অঙাং কয়া শেমখ্রবগে হায়বসিদি কুমজা ১৯৮১ দগী হৌজিক ফাওবসিদা মীওই লাক্ষ অমগী ময়া য়ৌরল্লগনি। তন্বীবগী ষ্টাইলসিসু অহানবদা ব্রাঞ্চ খরা হাংদোক্লুনা হৌরল্লগা ঐগী সেনিয়র অঙাংশিংসিনা ইনষ্ট্রক্টর ওইহল্লগা মথং মথং পাকথোকচঙ্ড্রথোরকপনি।

নুপা নুপী মহৈরোয়শিং, নহা, অহল চহী নৌরিবা অঙাংশিং লোইনমক্লা মার্সিয়েল আর্টসকী ওইবা মশান্নসি অরুনাচলদদি য়াম্নসু পাম্নে। ভেকেসন মতমদগীদি অঙাংশিং পুল্লপ পুল্লপ শান্নবা লাকই। য়ামন্দুনা মায়কৈ অমদা লেপ্পগা তাকপসি ঐনা উদবা মফম ফালবা য়াওই।

মশা-মউ ফবা পাম্নবা, শাজেল কাঙলোন ময়ামসি তৌবদা মশাদা কান্নে খঙনবনিনা নহা অহল খাক্তনা টাইমিং চানা চানা লাকই। মসিগী ৰেভ অমা ফজনা লৈ। অরুনাচলগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসিসু নবামটুকিসু ঐঙোন্দা করাটে তমখিবা মীশকনি।

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

করাটেদা মিৎয়েং অমা

হৌজিক্কী এম এল এ ওইরিবসিগী মরক্তসু ঐনা তম্বীখিবা মীওই কয়া অমা য়াওরি। অদুগা ঐহাক ইশামকসি অরুনাচলদা চহী ৩৬/৩৭ হেন্না লৈরকপগী মফমদুদনা হেন্না চুশিন্নখ্রবদৌনা তৌই। মণিপুরদদি ঐগী মরুপ মপাংসি পাকচাউনা লৈতে হায়বা য়াই। অদুবু অরুনাচলদদি ঐগী খঙনা চান্নবসি অদুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। মার্সিয়েল আর্টসকী ওজা অমা ওইনা লৈরুবনা য়াম্না নুংশিনসু তৌবি।

মণিপুরদা মতম খরা লৈরুগে হায়বদা ঐগা তিন্না লোইনরিবা মরুপ-মপাং, অঙাংশিং মখোয় অমত্তনা য়ানিংদে। ওস্থোকপা সার্কল অমদা উংদুনা লৈরুবনা ইশাগী ষ্টেটতা লাকপসিসু পাক পাক ঙমদে। হৌজিক্তি কুইনা লৈরকপগী হৌনা ঐঙোন্দসু ফজনা এদজষ্ট তৌখ্রে। আদদি ঐগী মী ঙাক্তা লৈবগুম্নসু খল্লে। অদুগা অরুনাচলগী ষ্টেট টিমগী কোচ ওইনা কুমজা ১৯৯৮ তগী হৌরগা মথং মথং লেপ্তুনা লাকচবা অসিনা কুমজা ২০১১ দা ঝরখণ্ডদা তৌখিবা ২৪ ৰুবা নেসনল গেমস অসিদসু ঐহাক টিম কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

হায়রিবা চহীদুমক্তদা শ্রী লঙ্কাদা তৌখিবা মরিশুবা নিহোন শোটোকান করাটে চেম্পিয়নশিপ (কোলোম্বো) তসু ষ্টেট টিম কোচ ওইনা চৎখি। লোয়ননা মালেসিয়াগী মালাকাদা কুমজা ২০১১ দুমক্তদা ওক্টোবর ১৩ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা তরেৎশুবা ৱর্ল্ড কপ জুনিয়র এন্দ কেদেট চেম্পিয়নশিপতসু ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইনা য়াওজখি।

মশান্না অসিগী মতাংদা ফংজরকখিবা দিগ্রি অমদি দিপ্লোমাগী মতাংদদি কুমজা ২০০২ দগী হৌরগা জপান করাটেদা এসোসিয়েসনগী মখাদগী অহানবা ওইনা দিপ্লোমা লৌজরকখি। কুমজা ২০১০ ফাংলবদা ওল ইন্দিয়া করাটে দো ফেদরেসনগী মখাদগী ব্লেক বেল্ট গো দান (ফিফ দিগ্রি) লৌবা ঙমজরকখি। অসিদসু নত্তনা সাই এন ঈ আর সীগী মখাদা চথবা সিক্স ৱিক সার্টিফিকেট কোর্সতসু য়াওজরকখি। লোয়ননা ইন্ষ্ট্রক্টর স্পিসিয়েলাইজ ট্রেনিং কোর্সনচিংবদি ঐহাক ১৯৯৭ দা মাঙজৌননা লোইশিঞ্জখ্রে।

ওল অরুনাচল প্রদেশ শোটোকান করাটে এসোসিয়েশন্না পুথোকখিবা ইন্টরনেসনল থাক্কী মাক নাইবা শান্নরোয় খরা মমিং পনবা তারবদা রোতোম ইচু (সাই) আই বি ছেত্রি (সাই) রজনিতা রোতোম, দেবীয়া য়াকপ হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসি কুমজা ২০০১ গী দিসেম্বর ১২ অমসুং ১৩ দা দেরাদুন সিটিদা পাঙথোকখিবা ফোর্থ সাউথ এসিয়া ওকাজাকি কপতা গোল্ড অমদি শিলভর ফংখিবা প্লেয়র ঙাক্তনি। অসিদসু নত্তনা জপানগী টোকিওদা তৌখিবা সিক্স এ কে এফ এসিয়ন জুনিয়র এন্দ কেদেট করাটে চেম্পিয়নশিপ সেপ্টেম্বর ২২-২৩, ২০০২ দা সাই এস এ জি সেন্তর নহরলাগুনগী অচুবগাঙ ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি। লোয়ননা সিদনিদা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা ২২ শুবা ফুনাকোশি গিচিন, ১০ শুবা ৱর্ল্ড করাটে চেম্পিয়নশিপ্তসু অরুনাচলগী করাটেকা অনী দেবীয়া য়াকপ অমদি তাফুঙ দোলোনা রুমেন অমসুং মেনগী সেনিয়র ওপন কুমিটে অমদি টিম কুমিটেদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা য়াওখি। - লোইরবা-

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৮

1. ফুটবোল শান্নবদা মায়োক্নবা শান্নরোয়গী মখোঙদা বোল কাওশিল্লগা মদুদগী চোঙথোরকপা বোল অদু অমুক ফারগা খুদোংচাবা লৌবা অদুবু করি হায়না খঙনবগে?
2. সোভিয়েট লৈঙাক্কী শান্নরোয় অমা কুমজা ১৯৬৮ গী মেক্সিকো ওলেম্পিক্সতা সনাগী মেদল ফংলকপদা কম্যুনিষ্ট লৈবাক্লা মঙোন্দা কার অমা খুদোল তৌবদা কার অদুগী নম্বর প্লেটতা ১৭-৩৯ থাদুনা মশীং অদু মহাক্কী কার নম্বর ওইহনখি। কার নম্বর অদুগা মহাক্কী সনাগী মেদল অদুগা করি মরী লৈনবগে?
3. অৰাং নোংপোক্কী শান্নরোয় নুপা অমা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা খেন্ন খেন্নবা চহীদা সনাগী, লুপাগী অমদি সেঙ্গেংগী মেদল ফংখ্রে, মহাক ওলেম্পিক্কীদমক শেম শারি। মহাক কনানো?
4. নিপা অনীনা কন্না হোৎনদুনা গ্রিসতা খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬ তা ওলেম্পিক গেমস অমুক হৌদোকখি। মখোয় অনী অদুগী মমিং পীয়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৭ কী পাউখুমশিং

(১) MUMTAZ (২) JIM THORPE (৩) IFTIKHAR ALI KHAN
(৪) DANESHWARI DEVI (৫) MIKE BRYAN

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৭ কী ৱিন্নর

তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৪৭ কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

মে ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর ২০১৭-১৮ চথুরি

ইম্ফাল, মে ১৫ : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী থৌশিল মখাদা চথুরিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ট্রান্সফরগী ঙসি তরুকনি চনবা নুমিৎতা প্লেয়র ৯৯ না এপ্লাই তৌখ্রে। ঙসি এপ্লাই তৌখিবা শান্নরোয়শিং অসি য়াওরগা হৌজিক ফাওবদা অপূনবা শান্নরোয় ২১১ না এপ্লাই তৌখ্রে। তরুকনি চনবা নুমিৎতা ট্রান্সফর এপ্লাই তৌখ্রবশিং মখাদা পীরি।

Sl.No.	Name	From	To	Category
1	L. CALAMBUS MEETEI	UBSA, KAK	XI-STAR SU, IE	AMATEUR
2	KH. SADIQUE	PRYA, IE	JUVENILE, IW	-DO-
3	N. SANA CHANU	NYTHC, IE	KRYPHSA, IW	-DO-
4	U. SANJANA CHANU	ESU, IE	KRYPHSA, IW	-DO-
5	L. JULIA DEVI	KRYPHSA, IW	NYTHC, IE	-DO-
6.	SEMION KAMEI	SAO, KAK	HISU, TBL	-DO-
7.	JOEL KOM	DOAK, IE	SU, IW	-DO-
8.	M. BOY SINGH	THAU, IW	HISU, TBL	-DO-
9	MOHAMMAD SARIF KHAN	YDA, TBL	KIYC, IE	-DO-
10	M. MISSIAL MEITEI	WYFC, TBL	USA, IE	-DO-
11	N. ROSAN SINGH	YSWA, BPR	YWC(L), IW	-DO-
12	S. GOJENDRO SINGH	LASHAL, BPR	YWC(L), IW	-DO-
13	T. RAJESHWOR SINGH	YWC(M), IW	DOAK, IE	-DO-
14	TH. KENEDY SINGH	KPSC, KAK	PYA, IE	-DO-
15	NONGPOKNGANBA NINGTHOUJAM	KYVO, BPR	YWC(L), IW	-DO-
16	S. SANTIKUMAR MEITEI	YSWA, BPR	YWC(L), IW	-DO-
17	L. MICHEAL SINGH	BFA, BPR	USA, IE	-DO-
18	POUJIKLUNG GANGMEI	HNSC, IW	HISU, TBL	-DO-
19	M. ARUNDASH SINGH	ELYSA, TBL	ESU, IE	-DO-
20	Y. SURAJ SINGH	WYFC, TBL	XI-STAR SU, IE	-DO-
21	CH. ROSHAN SINGH	ESU, IE	KLASA, BPR	-DO-
22	Y. SURAJ SINGH	TRUGPU, BPR	NCC, IW	-DO-
23	PALMEI BAGGIO KABUI	SSC(P), IE	NCC, IW	-DO-
24	KH. SANJOY SINGH	TRUGPU, BPR	UPAA, IE	-DO-
25	KH. SADANANDA SINGH	CMC, BPR	UPAA, IE	-DO-
26	W. SANATHOI SINGH	BMSC, IW	UPAA, IE	-DO-
27	K. LUCKYCHAND	HISU, TBL	YOSC, IE	-DO-
28	L. CHINGLEMBA SINGH	IWSC, IW	YOSC, IE	-DO-
29	KH. NANAO SINGH	YDO, IW	UPAA, IE	-DO-
30	A. BIPIN SINGH	YDO, IW	UPAA, IE	-DO-
31	RIZATMI	YOSC, IE	DMRAO, IW	-DO-
32	Y. NIPEN SINGH	DMRAO, IW	SWC, IE	-DO-
33	CHINGOIREMBAM ATOM	YDO, IW	SWC, IE	-DO-
34	VARECHAN A.S	XI-STAR SU, IE	DMRAO, IW	-DO-
35	SHUNJANTHAN RAGUI	YOSC, IE	DMRAO, IW	-DO-
36	SANJITKUMAR YANGLEM	SDC, IW	SWC, IE	-DO-
37	KH. KUMAR SINGH	LILONG FC, TBL	SWC, IE	-DO-
38	THANGZOILIEN NEITHAM	UKB, CCPUR	DOAK, IE	-DO-
39	L. JIBAN SINGH	ESU, IE	WAFA, IW	-DO-
40	KH. NETAJI	NACO, IW	HISU, TBL	-DO-
41	N. RAKESH SINGH	TRUGPU, BPR	NCC, IW	-DO-
42	H. TELHEIBA SINGH	FC MOIRANG, BPR	UPAA, IE	-DO-
43	PAUZALEL NEIHSIAL	UKB, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
44	P. KAMLALZOM	UKB, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
45	KHUALSANGLIAN NGAIHTE	ZFC, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
46	REUBEN LETKHOTINCHON	NISA, IW	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
47	S. DAVID SUTKHANTHANG VAIPHEI	USA, IE	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
48	LALSIEMTHANG FIMATE	AMOFA, BPR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
49	G. LUNMINTHANG	YSWA, BPR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
50	JEFFERSON RAMHLUOSANG	FAST, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
51	LETMINGOU MANGTE	AFC, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
52	MICHAELTUNLAL PAUL	RUSS, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
53	HAULALLAWM	SSC, CCPUR	MUVANLAI A, S/HILLS	-DO-
54	M. KABIRAJ SHARMA	TRUGPU, BPR	DMRAO, IW	AMETEUR
55	S. REMAINDER SINGH	YSWA, BPR	CHIKL, IW	-DO-
56	N. BIKRAMJIT SINGH	TRUGPU, BPR	DMRAO, IW	-DO-
57	ALEX MUNG	YSWA, BPR	YPHU, IW	-DO-
58	THANGJAHAO BAITE	JSYC, S/HILLS	SSU, IW	-DO-
59	P. JAPAN MEITEI	ESU, IE	DYA, KAK	-DO-
60	N. JURENSON SINGH	SAO, KAK	SSU, IW	-DO-
61	N. SANDHYARANI CHANU	NYTHC, IE	KRYPHSA	-DO-
62	Y. ABOCHA SINGH	DYA, KAK	YPHU, IW	-DO-
63	E. NILAKANTA SINGH	DYA, KAK	YPHU, IW	-DO-
64	L. GOGOCHA SINGH	SSU, IW	AIM, IE	-DO-
65	CH. JACKSON MEITEI	HISU, TBL	ANGTHA FC, IE	-DO-
66	W. INGOBA SINGH	YWC(M), IW	ESU, IE	-DO-
67	AKBAR KHAN	SSU, IW	AIM, IE	-DO-
68	KH. RAJU SINGH	BFA, BPR	ESU, IE	-DO-
69	L. OJIT SINGH	YADA, BPR	ESU, IE	-DO-
70	W. NGOUBA SINGH	SU, IW	AIM, IE	-DO-
71	TH. VANDONA	TRAU, IW	AIM, IE	-DO-
72	W. KIRAN SINGH	YSWA, BPR	ESU, IE	-DO-
73	N. MILAN SINGH	AFC, TBL	DMRAO, IW	-DO-
74	L. MONISH SINGH	SKYC, IW	AIM, IE	-DO-
75	NG. THANIL MEITEI	SKYC, IW	AIM, IE	-DO-
76	KH. SANATHOI MEITEI	TKWA, TBL	ANGTHA FC, IE	-DO-
77	M. KISHANKUMAR SINGH	UBSA, KAK	ANGTHA FC, IE	-DO-
78	HAOMINTHANG RICHIE KIPGEN	MUVANLAI A, S/HILLS	AIM, IE	-DO-
79	NG. BEDEENPAR MOYON	FC ZALEN, S/HILLS	AIM, IE	-DO-
80	SH. AJEN SINGH	TKWA, TBL	ANGTHA FC, IE	-DO-
81	TH. ROMARIO SINGH	SSU, IW	ANGTHA FC, IE	-DO-
82	N. IBOCHOUBA SINGH	NISA, IW	DOAK, IE	-DO-
83	L. JIBAN SINGH	THAU, IW	DOAK, IE	-DO-
84	KH. THOI SINGH	KPSC, KAK	DOAK, IE	-DO-
85	M. SANATHOI MEITEI	ESU, IE	HISU, TBL	-DO-
86	S. PELE SINGH	RYDO, TBL	WAFA, IW	-DO-
87	S. BALI MEITEI	SOUYA, TBL	THAU, IW	-DO-
88	S. KENEDY SINGH	WYFA, TBL	THAU, IW	-DO-
89	M. NANAO SINGH	SAO, KAK	NESU, IE	-DO-
90	N. SUSIL SINGH	YWC(M), IW	NESU, IE	-DO-
91	THOMYO J. SHIMRAY	NISA, IW	YUFC, UKL	-DO-
92	SH. MARCONI MONSANG	SIRTI, CDL	AIM, IE	-DO-
93	K. JOHNTY SINGH	FC MOIRANG, BPR	SSU, IW	-DO-
94	W. LAMYANBA	LAMSHANG FC, IW	NESU, IE	-DO-
95	N. KABIRAJ SINGH	LILONG FC, TBL	CHIKL, IW	-DO-
96	M. SOMOKANTA SINGH	FC THANGA, BPR	NESU, IE	-DO-
97	MUNAKIP	UKCCL, BPR	ESU, IE	-DO-
98	MICHAEL MOIRANGTHEM	FC THANGA, BPR	NESU, IE	-DO-
99	HEMMINLEN LHUNGDIM	AFC, CCPUR	BMSC, IW	-DO-

ইন্দিয়াগী দীপটি শর্ম্মা, পুনম রাউটনা ও দি আইদা রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা পার্টনরসিপকী রেকোর্দ থমখ্রে

ন্যু দেল্লি, মে ১৫ :

ইন্দিয়াগী ওপনর দীপটি শর্ম্মা অমদি পুনম রাউটনা ৰান দে ইন্টরনেসনলদা পার্টনরসিপ শেমদুনা রন ৩০০ লৌবা ঙম্বা অহানবা ওপনিং জুরা ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

জুরা অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আইয়রলেন্দদা চথুরিবা ক্বাদ্রেঙ্গুলর সেরিজদা আইয়রলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা রন ৩২০ লৌদুনা অহানবা ৰিকেট ফাওবা লৈমিন্নখি।

দীপটি অমদি পুনম অনীগী মায় পাকপা অসি নুপীগী ক্রিকেটকী রেকোর্দখক্তা নত্তনা নুপাগী রেকোর্দতগীসু হেন্না ফবা ওইরি। কুমজা ২০০৬ তা ইংলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা উপুল থরাঙ্গা অমদি সনাথ জয়াসুরিয়ানা পার্টনরসিপ ওইনা রন ২৮৬ লৌখি। হায়রিবা অসিদগী দীপটি অমদি পুনগী পার্টনরসিপকী রন্না খ্বাইদগী ফবা ওইরি। অদুগা নুপীগী ও দি আইদসু অহানবা ৰিকেটতা পার্টনরসিপ শেমদুনা লৌখিবা রন অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা রনসু ওইরি।

মমাঙদা থমখিবা রেকোর্দতা কুমজা ২০০৮ দা সাউথ অফ্রিকাগী নুপী টিমগী মায়োক্তা সরা টেলর অমদি কারোলিন অর্কিন্সনা অহানবা ৰিকেটতা রন ২৬৮ লৌখিবা অদুদগী দীপটি অমদি পুনমগী পার্টনরসিপ অসিনা রন মশীং য়াম্বসু ওইরি।

দীপটিনা মহাক্কী দবল সেঞ্চুরি লৌননবা তানখৎলকখিবদা অহানবা ৰিকেট ওইনা ফিল্দদগী থোককখি। অদুম ওইনমক দীপটিগী রন ১৮৮ লৌখিবা অদুনা নুপীগী ও দি আইদা ইন্দিভিজুএল অমনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বা অনীশুবা প্লেয়রসু ওইবা ঙমখি।

ইন্দিভিজুএল ওইনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙমখিবা অদুনা কুমজা ১৯৯৭ তা দেনমার্ককী নুপীগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা বেলিন্দা ক্লার্কনা নোট আউটতা লৈদুনা রন ২২৯ লৌখিবা অদুনা ওইরি। দীপটিনা বোল ১৬০ দা অপূনবা রন ১৮৮ লৌখি। মদুদা মহাক্না বাউন্দরি ২৭ অমদি সিক্স তরুক কনখি। পুনম্না বোল ১১৬ তা রন ১০৯ লৌরগা রিটায়ার্দ তৌখি। মহাক্না বাউন্দরি ১১ কল্লমখি। ইন্দিয়ানা মেচ অদুদা ওভর ৫০ দা ৰিকেট অহুম তুরগা রন ৩৫৮ লৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী আর্মরেষ্টলিং টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ : ন্যু দেল্লিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১ শুবা নেসনল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর আর্মরেষ্টলিং টিম হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মণিপুরগী টিম অসি হয়েং অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা এ ৰাই ও কমপ্লেক্স ইরানফম থোংখোং কোংপালদা মাহুদকী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এন ইন্দ্রজিৎনা লমথাগনি হায়না মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসন অমসুং কোংপাল ষ্টুদেন্টস ক্লব অনীনা থোক্লকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

Yumnam Eye Care
See better through us...
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing & Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
LUXOTTICA VOGUE K&L Maui Jim ESSILOR Fastrack Ray-Ban
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/3860/11/05-10/06

ষ্টেট লেভেল যোগ ওলেম্পিয়াদ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ :

দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) না শিন্দুনা মে ১৫ দা ইম্ফালগী জি এম হোলদা ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগ ২০১৭ কা মরী লৈননা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল যোগ ওলেম্পিয়াদ ২০১৭ মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন (এস) কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বিনীট জোসি (আই এ এস) অমদি এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টর এন প্রবিন সিংহ (আই এ এস) না অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখিবগা লোয়ননা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্টশিংদগী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল যোগ ওলেম্পিয়াদ পাঙথোক্লুনা নোমিনেট তৌরবা শান্নরোয় ২০০ রোম্না অনীশুবা ষ্টেট লেভেল যোগ ওলেম্পিয়াদতা শরুক য়াখি।

অনীশুবা ষ্টেট লেভেল যোগ ওলেম্পিয়াদতা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি নুপামচাগী অপ্পর প্রাইমারি সেক্সন্দা তেন্থা হায়স্কুলগী এম মালেমঙানবা সিংহনা অহানবা, য়ুম্নীমচা হায়স্কুল ককচীংগী ৰাই রোসন সিংহনা অনীশুবা, ৰাংখৈ হায়স্কুলগী নুংজুম্বা ৰাংলেম্বম্না অহুমশুবা অমদি প্রাক্টিসিং জুনিয়র হায়স্কুল ককচীংগী এল নুংশিবা সিংহনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। নুপীমচাগী অপ্পর প্রাইমারি সেক্সন দা কেন্দ্র বিদ্যালয়া লাংজিংগী দেবিকারানি মনোহরময়ুমনা অহানবা তাখি। নুপামচাগী সেকেন্দরি সেক্সন্দা ৰাংখৈ হায়স্কুলগী এ নরেস শর্ম্মানা অহানবা অমদি ৰাবগাই হায়স্কুলগী এল অনিলকুমার সিংহনা অনীশুবা তাখি। নুপীমচাগী সেকেন্দরি সেক্সন্দা য়ুম্নীমচা হায়স্কুলগী ৰাই বালে দেবীনা অহানবা অমদি কচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এন রানি দেবীনা অনীশুবা তাখি।

লেঙশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
◆ প্রেস রিলিজ
◆ ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
◆ আর্টিকল
◆ এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

HUEIYEN LANPAO
MAIN OFFICE: SEGA ROAD, THOUDA BHABOK LEIKAI, IMPHAL

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ফাইনেলগী টিকেট লুপা ৪৮ দা ফংহনগদৌরি

কোলকটা, মে ১৫ :

কোলকটাদা ওক্টোবর ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ফাইনেলগী মেচকী টিকেট মমল লুপা ৪৮ খক পীরগা য়েংবা য়াগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী দিরেক্টর জেবিয়র সেপ্পিনা ফোঙদোকখ্রে।

চাদা ৬০ গী ওফর ওইগদৌরিবা অসি খ্বাইদগী তাবা মমল ওইনা ভেন্যু অমগী টিকেটশিং ব্লোক্তা লৈবশিংগী ওইগনি হায়না টুর্নামেন্ট দিরেক্টর জেবিয়র সেপ্পিনা ফোঙদোকখি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসি ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা লৈবাক অসিগী সিটি তরুক্তা পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা সিটিশিং অদুদি কোলকটা, নবি মুম্বাই, ন্যু দেল্লি, গুৱাহাটি, কোচি অমদি পনাজিনি।

কোলকটাদা ফাইনেল মেচ য়াওনা মেচ তরা শান্নগনি। মেচশিং অসিগী অপূনবা টিকেট মমলনা লুপা ৪৮০ ওইগনি। মসি কেটাগোরি ৱানগী টিকেট ওইগনি। কেটাগোরি টু অমসুং থ্রিগীনা লুপা ৯৬০ অমদি ১৯২০ দা ফংগনি। হয়রিবা অকক্নবা মশীংগী ব্লোক টিকেটশিং অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী পুং ৯.১১ তাবা মতমদগী ফিফা দোট কোম ৱেবসাইটতগী ফংগনি হায়না সেপ্পিনা লাউথোকখি।

টিকেটশিং অসি দ্রো পাঙথোক্কদবা নুমিৎ জুলাই ৭ ফাওবা ফংগনি। দ্রো লোইরবা মতুং দেলিগেটশিংনা ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কদবা ভেন্যু তরুক কোলকটা, কোচি, নাবি মুম্বাই, পনাজি, গুৱাহাটি অমদি দেল্লিদা চৎকনি।

ইন্দিভিজুএল মেচশিংগী টিকেটশিংনা জুলাই ৭ তগী ফংগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লুনা অহৌবগী ওইনা চাদা ২৫ দিসকাউন্ট পীগনি। টুর্নামেন্ট অসি নকশিল্লক্লবা মতমদা টিকেটশিং অসি কাউন্টরশিংদগীসু ফংগনি।

অমরোমদা বার্সেলোনাগী লেজেন্দ অমদি ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর চার্লেস পুয়োল নিংথৌকাবা ন্যু দেল্লিদা থুংলরগনি। মহাক্না থুংলবগা কুমজা ১৯১১ দা মোহন বগান টিমগী কেপ্তেন ওইখিবা শিবদাস বাদুরিগী ইমুং মনুংদা অহানবা ওইনা টিকেট পীগনি। মোহন বগান অসি আই এফ এ শিল্দ লৌবা অহানবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমসু ওইরিবনি।

Aap Ki Jindagi, Kisi ke leye Anmol Hai !
AN AWARENESS INITIATIVE BY
LIVSAV® DS Syrup/Capsule
FREE
With Every Livsav Pack Get One Oajm Pain Relief Oinment Free
Hindustan Research Health Products Pvt. Ltd; Thane (Maharashtra). CUSTOMER CARE:- 0250-2393627
HL-B/3847/3/5-4/6

KEEP SAFETY
LIVSAV
Oajm